
# জপানগী হয়াবুসা-২ না ষ্টেরোইদ অমগী লৈমায়দা লেন্দিং তৌখ্রে



টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): জপানগী হয়াবুসা-২ স্পেসক্রাফ্টনা রোভর পিয়ার অমা কিলোমিটর অমরোম পাকপা স্পেস রোক রেয়ুগুগী লৈমায়দা তাবা ঙমখ্রে।

হৌজিক হয়াবুসা-২ স্পেসক্রাফ্ট অদু মশা-মঔ ফনা লৈরি। লোয়নন রোবোর্টিক রোভর অদু ষ্টেরোইদ অদুগী লৈমায়দা মায় পাক্লা রিলিজ তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

রোভর ১ এ অমসুং ১ বিনা চিংশিনবগী মপাঙ্গল ৱাৎপা রেয়ুগু ষ্টেরোইদকী লৈমায়দা চথোক চৎশিন তৌবা ঙল্লগনি। রোবোর্টিক মেছিন অদুনা ষ্টেরোইদ অদুগী লৈমায়গী শক্তমশিং ফোটো লৌবা ঙল্লগনি। হয়াবুসা-২ হায়না মিংথোনবা স্পেসক্রাফ্ট অদুনা চহী অহুম মখায়রোম স্পেসতা চৎলবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা ষ্টেরোইদ রেয়ুগুদা থুংবা ঙমখিবনি।

কিলোমিটর ১ রোম পাকপা স্পেস রোক অদু য়াম্না লিরবা মখলগী ষ্টেরোইদ অমনি হায়না লৌনরি। সোলর সিষ্টেম লৈরকপা মতমদগী হৌনা স্পেস রোক অদু শেমগৎখিবা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ। স্পেস রোক অদুগী মরমদা থিজিনবনা মালেমদা করম তৌনা ইভোলুসন লাকখিবনো হায়বা অদু খঙবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। রোভর হায়রিবা স্পেস রোক অদুদা দ্রম মওং মানবা হয়াবুসাগী মাদর সিট অদু লেন্দিং তৌবগা লোয়ননা মিনর্ভা -২ হায়না খঙনবা কেজি ৩.৩ লুম্বা সাইন্স পেকেজ অমা শেন্বা ঙমখ্রে।

মিনর্ভা-২ না রেয়ুগু হায়না খঙনবা চিংশিনবগী মপাঙ্গল ৱাৎপা ষ্টেরোইদ অদুগী অকোয়বদা চৎকনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক্তগী হয়াবুসা-২ না রেয়ুগুগী লৈমায়দা তাশিনবা হৌখিবগা লোয়ননা মথৌ তৌবা হৌখিবনি। ষ্টেরোইদ অদুগী লৈমায় য়ৌগদবা মিটর ৬০ ৱাৎলিঙৈদা হয়াবুসা-২ না রোবোর্টিক রোভর অদু রিলিজ তৌদুনা লৈমায়দা তাহনখি। জপানিজ স্পেস এজেন্সীগী ওফিসল-শিংনা ফোঙদোরকখিবদা, দ্রম মওংনা মানবা রোভর অনী অদুনা কন্টেনরদগী ইজেক তৌরবা মতুং লৈমায়দা তাখ্রে। রোভরশিং অদুনা ষ্টেরোইদ অদুগী মরমদা থিজিন-হুমজিনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। হায়রিবা রোভরশিং অদুদা ৱাইট এঙ্গল অমসুং ষ্টেরো কেমেরাশিং য়াওরি। কেমেরাশিং অদুনা লৌবা ফোটোশিং থারক্লগনি হায়রি।

# টাঞ্জনিয়াগী লেক ভিক্টোরিয়াদা হি লাকশিনখিবদা মীওই ১০০ শিরে, মীওই কয়ানা থিবা খঙখিদ্রে



দোদোমা, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): টাঞ্জনিয়াগী লেক ভিক্টোরিয়াদা মীওই ৪০০ রোম পুবা হি অমা মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ১০০ শিখ্রে। অদুগা মীওই ২০০ রোম্না থিবা খঙখিদ্রে হায়না টাঞ্জনিয়া ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং থোকখিবা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০০ রোমদি ঈরাক্লুদুনা শিরল্লগনি হায়বগী মীপায়বা লৈরি। মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরিবা অদু য়েংলগা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

এম ভি নৈরেরেনা মমিং থোনবা হি অদু বুগোরোরাদগী লাকপদা উকরা ঈথৎ মনাক্তা মথক মখা ওন্দুনা লাকশিনখিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হি অদুদা মী কা হেন্না তোংশিল্লকপা অমসুং হি অদুনা পুবা ঙম্বা অরুম্বগী চাংদগী হেনখিবনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি ওইগনি হায়রি। লোকেল মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, হি অদু মীওই ১০০ রোমতমক পুবা ঙম্বগী কেপাসিটি লৈবনি। অদুম ওইনমক মীওই ৪০০ রোম তোংশিন্দুনা লাকপদগী খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

এম ভি নৈরেরেদা তোংখিবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংনা মখোয়গী মচা-মশুশিং অদু করি ফীভমদা লৈখ্রবগে হায়বা পাউ ঙাইদুনা লৈনরি। ইদিথা জোসেফাট মাগেসা কৌবা লমদম অদুগী মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, ঙরাং নুমীদাং টেলিফোন তৌরক্তুনা মহাক্কী মদোমচা, মপা অমসুং মনাওনুপা লৈখিদ্রে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি।

ঙরাং নুমীদাংদি মী কনবগী থবক পায়খৎপা লেপখি। অমম্বগী খুদোংচাদবা লৈবনা মরম ওইরগা লেপ্পুরবা মী কনবগী থবক থৌশিলশিং ঙসি অয়ুক্তগী অমুক হৌখি হায়রি।

থোক্লিবা থৌদোক অদু খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনি। লৈঙাক্লা চথোক-চৎশিন তৌননবগীদমক লীরবা হি অমা পীদুনা শীজিন্নহল্লি। অদুম ওইনমক লমদম অদুগী মশিং য়াল্লবা মীওই কয়া ঈথৎ অমদগী ঈথৎ অমদা তঙাইফদনা চৎননবগীদমক হি অদু শীজিন্নরি হায়রি।

টাঞ্জনিয়া পুলিসকী মকোক সিমোন সিরো মৱাঞ্জানা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক খুদোংথিবা থোকখ্রবা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লে। থৌদোক অদুদা শিখিবা মীগী মশিং ১০০ শুখ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা মী কনবা কাঙবুনা মীওই ৪০ রোম কনবা ঙমখ্রে। মখা তানা মী কনবগী থবক পায়খৎলি হায়না মৱাঞ্জা রিজনল কম্মিস্নার জোন মোঙ্গেলানা ফোঙদোরক্লি।

লোকেল ওফিসলশিংনা শগোল-শেন নুমীৎতা মীওই ১০০ রোম কনবা ঙমখ্রে। মখা তানা মী কনবগী থবক পায়খৎলি হায়খি। হি অদুদা তোংননবগীদমক টিকেট পীবা মীওই অদুসু খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রে। মেছিন রেকোর্দিং দেটাসু মাঙখ্রে হায়রি। বুগোরোরাদা কৈথেল কাবগী নুমীৎ থোকপনা মরম ওইরগা মী কা হেন্না চিনখি। মদুনা মরম ওইরগা হি অদুদা মী মশিং হেন্না তোংশিল্লমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

টাঞ্জনিয়াদা হি তোংদুনা চৎপদা খুদোংথিবা থোকপগী চাং ৱাংনা লৈরি। মদু তোংফম থোকপা চাংদগী হেন্না মী তোংশিনবদগী ওইরি হায়রি। কুমজা ২০১২ তা টাঞ্জনিয়াগী হি অমা ইনি দয়ন ওসিনগী জঞ্জিবার ঈথৎ মনাক্তা হি অমা লাকশিনবদা মীওই ১৪৫ কী পুন্সি মাঙখিবসু লৈখ্রে। জঞ্জিবারগী সমুদ্রদা থোকখিবা অতোপ্পা হিগী এক্সিদেন্ট অমদা মীওই ২০০ শিখিবসু লৈখ্রবনি। হৌজিক লেক ভিক্টোরিয়াদা থোক্লিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীগী মশিং চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরিবা অসিনা মরম ওইরগা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

# ফিলিপিন্সকী লেন্দস্লাইদ থোকখ্রবা মফমশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং থাজিনখ্রে



সেবু, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী)ঃ ফিলিপিন্সকী সেবু প্রোভিন্সকী মনুং চনবা নাগাগী খুঙ্গং অনী লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরগা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। লৈবাক অদুদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লক্তুনা মীওই ৮০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা মতুং নৌনা লেন্দস্লাইদ অদু থোক্লকখিবনি।

টাইফুন মাংখুটনা সেবু প্রোভিন্সতা হকথেংননা অমাঙ-অতা থোকহন-খিদ্রবসু নোংলৈ-নুংশিৎ অদুগী শাহুমনা মরম ওইরগা অকনবা নোং চুহল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা লেন্দস্লাইদ কয়া থোকহনখি হায়রি।

মীয়াম্না য়ুম শাদুনা লৈনবা সেবুদা লৈবা চীং অমগী চীংমায় পুল্লপ ওইনা নীংখায়রকপদগী অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি। চীং নীংখায়রকখিবা মতম অদুদা য়ুহা হাবগুম নীকখি। লোয়ননা ব্রজ তাবগা মান্নবা অহৌবা মখোলসু শন্দোরকখি হায়রি। য়ুম কয়া ফুমজিনখ্রে। লমদম অদুদা লৈবা নুপী অমনা ফোঙদোর-কখিবদা, অহৌবা মখোল তাখিবা মতুং মখোয় য়ুমদগী চেন্থোক্লরকখি। থৌদোক অদুদা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং মচা হিংহৌরে। অদুম ওইনমক য়ুমথংনবা কয়াগী পুন্সি মাংখিবগী থৌদোক থোকখ্রে। য়ুল্লোন্নবশিংদগী কপ্পা অমসুং মতেং পাংবীনবা লাউরকপগী খোঞ্জেল কয়া তাখি। মফম অদুদা নুং অমসুং লৈবাক কয়া থানা কুপশিনখিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। মহাক্কী মবুংগী য়ুম অমসু কিন্থরকপা লৈবাকশিংনা ননশিনখি।

লোকেল মীদিয়াগী মতুংইন্না ইমুং ৬০০ কী মীওই চা কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখ্রে। পুলিসকী পাউদা কিন্থরকপা লৈবাক্লা ননশিনখ্রবা য়ুম মনুংদগী মীওই কয়া মায় পাক্লা কনবা ঙমখ্রে। ননশিন্দুনা লৈখ্রবা য়ুম মনুংদগী মীওই খরনা মোবাই ফোনগী খুথাংদা মেসেজ থারকপা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা অহিংবা মী লৈরমখিবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# ন্যু য়োর্ককী সিরাকসতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৫ অশোক-অপন নংখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী)ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যু য়োর্ককী মনুং চনবা সিরাকস সিটিদা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা অঙাং অমা য়াওনা মীওই মঙা অশোক অপন নংখ্রে।

মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরক-খিবদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা ঙরাং নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। ইর্মাজেন্সি সার্ভিসতা পাউ পীবগা লোয়ননা মী কনবা কাঙবু মফম অদুদা চেনশিন্নরকখি। মিদলেন্দ এভেন্যু হায়না খঙনবা লম্বী পরিংদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রে হায়বগী পাউ ফংবগা খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিনখি হায়না ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মফম অদু য়ৌশিল্লকপদা অশোকপ-শিং পুবা এম্বুলেন্স অমা চৎখিবা উখি হায়রি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না মীওই কয়া পুন্দুনা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা লম্বী অদুগী মায়োক্লবা মফম অমদগী শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লমখি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং অদু চহী ৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। ওথোরিটিনা শোক্লবা মীওইশিং অদুগী মমিং-মথাদি ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। শোক্লবা মীওইশিং অদু থোইদোক্লা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয়গী পুন্সিদা খুদোংথিবা নংগনি হায়বগী মীপায়নিংঙাই ওইদ্রে হায়রি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং লম্বী পরিং অদু পুলিসকী মশিং য়াল্লবা পর্সনেলশিং চঙশিল্লক্তুনা ঙাক শেনখি। লোয়ননা মফম কয়াদা থি-হুম্বগী থবক চথখি হায়রি।

# হিজবুলাশিং অফবা মখলগী রোকেট পায়রি

বৈরুট, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী)ঃ লেবাননদা অকনবা লান হৌরিবা হিজবুলাশিংনা অফবা মখলগী রোকেটশিং পায়শিনবা ঙমখ্রে। ইজরেলনা মিলিটেন্টশিং অদুনা রোকেটশিং পায়বা ঙম্ননবা অকনবা থৌশিল পায়খৎলবসু অফবা মখলগী খুৎলায় অদু মখোয়গী খুৎতা লৈরে হায়না হিজবুলাগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হাসন নসরালানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ইজরেলনা মখোয়গী সপ্লায় রুদশিং ককথৎনবা হোৎনরিবা অদু করিসু নত্তে। হিজবুলানা মমাঙদগী হৌনা অফবা মখলগী রোকেটশিং লৌশিনবা ঙমখ্রবনি। অদুম ওইনমক মিলিটেন্টশিং অদুনা চপ চাবা খুদমদি পুথোকখিদে হায়রি। কুমজা ২০০৬ তগী হিজবুলাগী মথক্তা ইজরেলনা অকনবা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা লাকখিবনি। নাকল অমরোমদা, সিরিয়ানা লৈবাক অদুদা লান হৌরিবা অমসুং ইরান্না শৌগৎপা কাঙবুশিংদা খুৎলায় পীশিল্লকপা থিংননবা অকনবা থবক পায়খৎতুনা লাকখিবনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা রসিয়াগী মিলিটরি প্লেন আই এল-২০ শোয়বদগী সিরিয়ানা কাপথখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।


Golden opportunity for NORTHEAST BPL / ST Unemployed Youth

SCHOOL OF SKILLS DEVELOPMENT IN HOSPITALITY

VISAN FOUNDATION — HONDA

ACSR Initiative by Honda 2Wheelers India

Short term training in Hotel Management Assured Jobs in Restaurant and Hotels

Free Boarding & Lodging

Seminar CUM Spot Admission

Govt. Certificatio n

| Place of SEMINAR | Date | Time |
|---|---|---|
| Churachandpur Nazarence Ministry Center, Hmar veng | 21.09.2018 (Friday) | 09 am – 5 pm |
| Churachandpur Synod Hall. IB road Lamka near Churachanpur Govt. College | 22.09.2018 (Saturday) | 09 am – 5 pm |
| Ukhrul, Hotel 3 - in – 1 | 24.09.2018 & 25.09.2018 (Monday & Tuesday) | 10 am – 5 pm |
| Imphal, Amity Hall, ASA | 26.09.2018 (Wednesday) | 10 am – 5 pm |

For more details: Gin Haokip +91 8929737393, Saurabh Seth +91 9999605207

HL-P/2176/21,22&24


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

NOTIFICATION

Imphal, the 18th September 2018

No.7/9/2013-SW(VTC) Pt II: It is hereby inform to all the concerned who have submitted applications to the concerned District Level Officers of the Department in "Go to village" programmesfor undergoing vocational training in the trade of Embroidery, Tailoring and Computer at Welfare Training Institute, Takyel, Imphal ,that the training will be commence from 1st October 2018.

Applicants in the "Go to Village" programme may obtain the details from the concerned District Social Welfare Office on 24th September 2018 at 10:30 am positively.

Sd/-
Ms. Jacintha Lazarus, IAS
Director, Social Welfare Manipur.

HL-P/2181/22

# ঈচাউ মতুং হকশেলগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

অবুজা, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী)ঃ নাইজেরিয়াদা শাথিবা ঈচাউ থোক্তুনা য়ুম অমসুং মহৈ-মরোং থাবা লৌবুক কয়া মাঙহন-তাকহনখ্রবা মতুং ঈশিংদগী পোকহল্লকপা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াই হায়না নাইজেরিয়া সেন্টর পোর দিজিজ কন্ট্রোলনা ৱার্নিং তৌখ্রে। নেসনল দিজাষ্টরগী পাউ মতুংইন্না নাইজেরিয়াদা থোকখিবা শাথিবা ঈচাউ অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট মরিদা মীওই ১০০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। মফম কয়াদা ঈশিং তুংশিন দুনা লৈবনা মরম ওইরগা কোলেরা অমসুং টাইফোইদনচিংবা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ঈশিংদগী শন্দোরকপা য়াবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা মীয়ামদা অফবা ঈশিং শীজিন্নদুনা থোং থাকপা অমসুং চান-থক্লবগী লমদা শীজিন্নবা পুখম-তেংকোৎশিং চামথোক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।


IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

*Ref:- Mut. Case No. 541/SDC/NTK/2018*

Oinam (N) Thoudam (O) Phijona Devi W/o Th. Nanao Singh of Kameng.
*... Petitioner*

-Vs-

Late Co-pattadar No. (i) Oinam Ibotombi Singh S/o (L) O. Ibomcha singh of Naranseina.
*... Opponent*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 20th Sept., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 48-Naranseina Village গী Patta No. 30 (O) 40 (N) C.S. Dag No. 1357 an area 0.16 acre out of 0.26 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইখ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৮/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/5411/22*



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

*Ref:- Mut. Case No. 543/SDC/NTK/2018*

Gurumayum Gyaneshwor Sharma S/o (L) G. Ibochoubi Sharma of Ningthoukhong Awang Ward No. 12.
*... Petitioner*

-Vs-

Late Gurumayum Ibochoubi Sharma S/o Ningthemton Sharma of Ningthoukhong.
*... Opponent*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 20th Sept., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 43-Ningthoukhong Village গী Patta No. 498 (O) 178 (N) C.S. Dag No. 1416 an area 0.62 acre out of 0.76 acre of Phourel Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৮/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/5411/22*



JOB OPPORTUNITY FOR A REPUTED FIRM

ꯊꯕꯛ APPLICATION ARE INVITED FOR THE FOLLOWING POSTS:-

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1) | SALES EXECUTIVES | 2 NOS.(FEMALE UNMARRIED) | 10+2 |
| 2) | RECEPTIONIST | 1 NOS.(FEMALE UNMARRIED) | 10+2 |
| 3) | CASHIER | 1NOS.(FEMALE UNMARRIED) | GRADUATE |
| 4) | DENTER (BODYSHOP) | 2NOS.(MALE) | EXP. 7 YEARS |
| 5) | ENGINE MECHANIC | 2NOS.(MALE) | EXP. 7 YEARS |
| 6) | PAINTER | 2NOS.(MALE) | EXP. 8 YEARS |
| 7) | COOK/HOUSEKEEPING | 1NOS.(MALE) | VIII PASS |

DROP YOUR RESUME WITH ONE PASSPORT SIZE PHOTO AT M/S. SM MOTORS, AIRPORT ROAD, NEAR COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL CONTACT: 8415926795

Or Mail it to :- somothokchom87@gmail.com

LAST DATE OF RESUME SUBMISSION 26th Sept. 2018

DATE OF INTERVIEW 28th Sept. 2018

HL-P/5409/22



Today BUMPER HOUSIE DRAW

*In Aid of*

Y.W.O Annual Fund Drive

*Regd. No. 750/SR/IW-2013*

Ticket Rate Rs. 1500/-

MINI BUMPER Ticket Rs 165/- Housefull 50,000/-




DATE : 22ND SEPT. 2018 | VENUE: WANGKHEI KEITHEL ASHANGBI

HL-P/5410/22



ꯔꯁꯤ/RC BOOK LOST

I have lost my Original RC Book of Alto LXI bearing Registration No. MN01S 2186, Engine No. F8DN3475797 and Chassis No. MA3EYD81S01075653, on the way from Nambol to Imphal on 12/09/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Oinam Subol Singh**
Oinam Mamang Leikai, ☎: 9366219026

HL-P/5406/22



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

*Ref:- Mut. Case No. 539/SDC/NTK/2018*

Khangjrakpam Thoibi Devi W/o (L) Kh. Mani Singh of Ningthoukhong Kha.
*... Petitioner*

-Vs-

Late Khangjrakpam Mani Singh S/o (L) Thoiba Singh of Ningthoukhong Kha.
*... Opponent*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Ningthoukhong, the 18th Sept., 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 583 (O) 91/2113 (N) C.S. Dag No. 2052/3695 an area 0.035 acre out of 0.17 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী লোয়নবী (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইখ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৮/০৯/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/5411/22*



ꯄꯥꯏꯂꯁ/পাইলসকীওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী হিদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশাতা তিংখি। অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা অব্দুল হক-কা থেংনজবদগী ওজাগী হিদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা শাবা, চিকপা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিবা ফাওবা চংউ য়াদবনি। অৱাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক অসি ঙসিদি মপুং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*লায়েংবিরিবা ঃ ওজা অব্দুল হক*

**কন্টেক নম্বর ঃ ৮৭৯৪৪২৯৬৮১**

*থাগৎচরিবা :* **P. AMUMACHA**
**Nambol Maibam Chingmang**

*HL-P/5400/22*



ꯑꯗꯃꯤꯁꯟ ADMISSION OPEN ꯍꯪꯂꯦ

ENGLISH COACHING

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ENGLISH COURSE FOR X & XII
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
  [Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

*At*

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact Nos. ☎ 8974642764

HL-P/3623/6/9-6/10